ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রামনাথ কোভিন্দনা ওলিম্পিক কন্টিঞ্জেন্ট ওক্কদৌরি

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক পুৱারীদা হন্দক্তা লোইশিনখিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মেদল ৭ ফংদুনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎখিবা ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক কন্টিঞ্জেন্ট অদুবু লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রামনাথ কোভিন্দনা থা অসি ১৪দা ন্যু দেল্লীগী রাষ্ট্রপটি ভবন কলচরেল সেন্টরদা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোক্লগনি হায়না প্রসিদেন্টকী ওফিসতগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

'হাইটি' হায়না মিংথোনবা থৌরম অদুদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী কন্টিঞ্জেন্ট অদুগা উনগদৌরিবনি। নুপাগী জেভলিন থ্রোদা নিরজ চোপ্রানা গোল্ড মেদল লৌদুনা ইন্দিয়াগী এথলেটিক্স পুৱারীদা অনৌবা লামায় অমা হাংদোকখিবনি। মণিপুর মচা সাইখোম মিরাবাই চনুনা ৱেথলিফটিংদা ইন্দিয়াগী ওইনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী অহানবা সিলভর মেদল ফংখিবনি। নুপাগী হোক্কী টিমনা চহী ৪১গী মতুংদা ওলিম্পিক্সকী মেদল ফংবা ঙমদুনা ব্রোঞ্জ লৌরকখি।

রেষ্টলিং ইভেন্টতা রবি কুমার দহিয়ানা সিলভর মেদল ফংদুনা ইন্দিয়াগী ওইনা দিসিপ্লিন অসিদা অনীরকশুবা সিলভর মেদলিষ্ট ওইরি। ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন পি ভি সিন্ধুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ব্রোঞ্জ ফংদুনা কুমজা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসতা সিলভর ফংখিবা অদু থারগা ওলিম্পিক্স অনী থংন-থংননা মেদল ফংবা ঙন্বা ইন্দিয়াগী অহানবা বেদমিন্টন শান্নরোয় ওইরি।

নুপীগী বোক্সিংদা অসামদগী হৌখিবী লোভলিনা বোর্গোহেননা ব্রোঞ্জ ফংদুনা কুমজা ২০১২দা হৌদোকখিবা দিসিপ্লিন অসিদা মমিং লৈরবী এম সী মেরি কোমগী মথংদা মহাক্না অনীশুবা বোক্সর ওইরি। রেষ্টলিংদা দিপক পুনিয়ানা ব্রোঞ্জ ফংদুনা ইন্দিয়াগী রেষ্টলিংগী রেকোর্দ অদু অদুম্মক ফজহনবা ঙম্লি। নুপীগী হোক্কী টিমসু অহানবা ওইনা পুৱারীদা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অমরোমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিপেন্দেন্স দে নুমীৎতা কন্টিঞ্জেন্ট অসিবু রেদ ফোর্টতা স্পেসল গেষ্ট ওইনা কৌরি।

সুশিলা চনু অমসুং নিলকান্ত শর্ম্মা ওক্কদৌরি : মণিপুর হোক্কী

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচএনএস): মণিপুরগী হোক্কী ওলিম্পিয়ন অনী পুখ্রম্বম সুশিলা চনু অমসুং নিলকান্ত শর্ম্মা হয়েং ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংলগদবা অদু মণিপুর হোক্কীগী মায়কৈদগী অখন্নবা থৌরম অমগা লোয়নননা ওক্কনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর হোক্কীগী সেক্রেটরি জেনরেল সেরাম নেকেননা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না নুপীগী হোক্কী ওলিম্পিয়ন সুশিলা চনু অমসুং নুপাগী হোক্কী ওলিম্পিয়ন নিলকান্ত শর্ম্মবু হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা মণিপুর মচা গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমগা লোয়নরক্কদৌরি। চেরোল অদুনা মখা তারদুনা মণিপুর হোক্কীগী এগজিক্যুটিভ বোর্দ মেম্বরশিংনা ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা লাক্কুনা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাকপগা লোয়নননা নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ওলিম্পিয়ন অনী ওকপগী থৌরমদা য়াওগদবনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা কুমজা ১৯৮০ মোস্কো ওলিম্পিককী মতুংদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌদুনা চহী ৪১ ঙাইরকপা অদু লোইখ্রে। অমরোমদা, নুপীগী হোক্কী টিমনা অহানবা ওইনা ১৯৮০দা শরুক য়ারুরবা মতুং ২০১৬দা অনীরকশুবা য়াওরুরগা অহানবা ওইনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরনা ফিট ইন্দিয়া ফ্রীদম রন ২.০ হৌদোক্লগনি

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী): লৈবাক অসিগী মিনিষ্টর ওফ য়ুঠ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী থৌ পুরিবা অনুরাগ থাকুরনা অজাদি কা অমৃত মহোটসব-ইন্দিয়া থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক শীনবা থুংনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিট ইন্দিয়া ফ্রীদম রন ২.০ ওগষ্ট ১৩দা হৌদোক্লগনি।

মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা থৌরম অসিগী মতেংনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা নহা ক্রোর ৭.৫দা রন অসি য়াওহন্ননবা পান্দম থম্লি হায়রি। ঙসি মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অমদা পনখিবদা, চহী অসিগী মার্চ ১২দা পাঙথোকপা অজাদি কা অমৃত মহোটসবতা প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙাংখিবা ৱারোলশিং অদুনা থৌনা পীদুনা এক্সন এন্দ রিজোল্ভ হায়বা থিমদা মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্টসনা থৌরম অসি পাঙথোক্কদৌরি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী সেক্রেটরি উষা শর্ম্মানা ফোঙদোরকপদা, অনুরাগ থাকুরনা লৈবাক শীনবা থুংনা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রোগ্রাম অসি হৌদোক্কদৌরিবনি। লোয়নননা বি এস এফ, সী আই এস এফ, সী আর পি এফ, রেলৱেজ, এন ৱাই কে এস, আই টি বি পি, এন এস জি অমদি এস এস বিগুন্বা লূপশিং অসিগী মায়কৈদগীসু লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মমিং লৈরবা মফমশিংদা ফিট ইন্দিয়া ফ্রীদম রন ২.০ অসি ভর্চ্যুএল ওইনা শরুক য়াগদৌরি।

উষা শর্ম্মানা মখা তারদুনা পুৱারীগা শাগোন্নরবা মফম ৭৫দা ওগষ্ট ১৩গী থৌরম অসি পাঙথোক্কনি হায়রি। মদুগী তুংদা প্রোগ্রাম অসিগী মখা চথবা ওইনা চহী অসিগী ওক্টোবর ২ ফাওবা চয়োল খূদিংগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট ৭৫দা লৈবা খুঙ্গং ৭৫দা রন অসি পাঙথোক্কদৌরি। ফিট ইন্দিয়া ফ্রীদম রন অসি দিষ্ট্রিক্ট ৭৪৪ অমদি এদ্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুসন ৩০,০০০নসু পাঙথোক্কদৌরি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরনা ফোঙদোরকপদা ইন্দিয়ানা ইন্দিপেন্দেন্স ফংবা চহী ৭৫ শুরকপগী থৌরম পাঙথোকপদা ইন্দিয়া লৈবাক অসি ফিট ওইবা অমসুং অনা-অয়েক য়াওদবা লৈবাক অমা ওইহল্লসি হায়না ৱাশক লৌগদৌরিবনি। মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু হায়রকখি।

ওগষ্ট ৭পু নেসনল জেভলিন দে হায়না খঙনরগনি : এ এফ আই

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী): টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা নুপাগী জেভলিন থ্রোদা গোল্ড মেদল ফংখিবা ইন্দিয়াগী জেভলিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রাগী পর্ফোর্মেন্স অদুবু নীংশিংলদুনা ওগষ্ট ৭ অসি নেসনল জেভলিন দে হায়না খঙনরগনি হায়না এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ফোঙদোরকখ্রে।

মশাগী চহী ২৩দা ঙাইরিবা নিরজ চোপ্রানা হৌখিবা থাংজ নুমীৎ ওগষ্ট ৭তা জেভলিন অদু মিটর ৮৭.৫৮ শাননা লংদুনা গোল্ড মেদল ফংখি। মহাক্না ইন্দিয়াগী পুৱারীদা ইন্দিভিজ্যুএল ওলিম্পিক গোল্ড মেদল ফংবা অনীশুবা শান্নরোয় ওইরি। মহাক্কী মমাংদা শুটিং দিসিপ্লিনদা কুমজা ২০০৮ বৈজিং ওলিম্পিক গেমসতা অভিনাব বিন্দ্রনা নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোলদা গোল্ড মেদল ফংখিবনি।

এ এফ আইগী প্লান্নিং কম্মিসনগী চেরমেন ওইরিবা ললিট বানোটনা ঙসি পাঙথোকখিবা শান্নরোয়শিং ওকপগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবদা, দিষ্ট্রিক্ট লেভেলদা জেভলিন থ্রোগী কম্পিটিসন পাঙথোকপা হৌরগনি। মদুগীদমক্তা জেভলিনশিং পীননবা শেম শাবা হৌরে হায়খি। ফেদরেসন অসিনা কুমজা ২০১৮দগী নেসনল ওপন জেভলিন থ্রো চেম্পিয়নশিপ হৌদোকখিবনি। চহী অসিগী ওক্টোবর থাদা অহুন্নক শুবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরি। ঙসি নিরজ চোপ্রানা ফোঙদোকখিবদা, এ এফ আইগী মায়কৈদগী মহাক্না গোল্ড মেদল লৌখিবা নুমীৎ অদুবু তুংদা নীংশিংদুনা লৈহনগদৌরিবা অসিনা লৈবাক অসিগী নহা ওইরিবশিংদা কান্নবা ফংহল্লগনি হায়খি।

লিওনেল মেসি পি এস জিদা চহী ২গী য়ানচে ইনরগনি : রিপোর্ট

পেরিস, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী): মালেমগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী মরক্তা মমিং লৈরবা অর্জেন্টিনা মচা লিওনেল মেসি বর্সেলোনাদগী তোক্লবা মতুং ফ্রান্সকী মকোক থোংবা ক্লব ওইরিবা পি এস জি (পেরিস সেন্ট জর্মেন) দা চহী ২গী ওইবা য়ানচে অমা ইনরগনি হায়না পেরিসতা ফোঙবা পাউচে এল' ইক্বিপেগী ৱেবসাইটতা ঙসি রিপোর্ট অমা ফোঙলকপনি।

মশাগী চহী ৩৪ শুরবা মেসিবেলোন দি'ওর টাইটল ৬লক ফংখ্রবনি। অর্জেন্টিনা অমসুং মহাক্না হান্না শান্নরম্বা বর্সেলোনাগী খ্বাইদগী পাঞ্জল য়াম্না চনবা ঙম্বগী রেকোর্দসু থম্লি। মহাক্না পি এস জিদা শান্নবগী য়ানচে অদু খূৎয়েক পীবা লোইরবদি হান্ননা ক্লব অদুদা লৈরিবা ব্রাজিল মচা মহাক্কসু বর্সেলোনাদা শান্নমিন্নরম্বা নেমারগা পূল্লগনি। পি এস জি ক্লব মমাংদা মীওই কয়ানা মহাকপু ঙাইদুনা লৈনখি।

বংলাদেশনা ওষ্ট্রেলিয়া রন ৬০দা থোইদুনা সেরিজ লৌখ্রে

ধাকা, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী): বংলাদেশতা ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট টিমনা টি-২০ মেটচ মঙাগী সেরিজ শান্নবদা ঙরাং অরোইবা মেটচ অদু য়ূম্বু লৈবাক অদুনা রন ৬০দা থোইদুনা সেরিজ অদু মেটচ ৪-১দা লৌখ্রে।

মমাংদা বংলাদেশনা মেটচ ৩ থোইরগা ওষ্ট্রেলিয়না অমা থোইদুনা লাকখি। ঙরাং নুমিদাং ধাকাদা লৈবা সের বাংলা নেসনল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস বংলাদেশনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌরকখি। মদুদা মখোয়না অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১২২ লৌখি।

বংলাদেশকী মায়কৈদগী ওপনর নায়মনা বোল ২৩ রন ২৩ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী বোলর ৫না ৱিকেট লৌবা ঙমখি।

মায় পাক্লনবা ওষ্ট্রেলিয়ানা রন ১২৩ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু টিম অদুগী বেটসমেন ১০মক ১৪শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা অপূনবা স্কোর ৬২ খক লৌরগা লোইশিনখিবদগী মেটচ অদু মখোয় বংলাদেশকী মখূৎতা রন ৬০দা মায়থীবা নংখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী ওপনর অমসুং কেপ্টেন মেথিয়ু ৱেদনা বোল ২২দা রন ২২ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। ৪শুবা বেটসমেন বেন মেকদরমটনা রন ১৭ লৌরম্বা পনবা য়াই। অদুবু অতোপ্পা বেটসমেন ৯দি রন ৫ য়ৌবা ঙমদনা আউট ওইখিবদগী মখোয়গী স্কোর অদু ৬২দা লোইশিনখিবনি। বংলাদেশকী বোলর সাকিবনা রন ৯ পীরগা ৱিকেট ৪ লৌখি।

চেন্নাইন এফ সীনা পোলেন্দগী এরিয়ল বোরিস্যুক সাইন তৌখ্রে

চেন্নাই, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্লব অমা ওইরিবা চেন্নাইন এফ সীনা পোলেন্দগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয় এরিয়ল বোরিস্যুক চহী ১গী ওইবা য়ানচে ইনখ্রে।

বোরিস্যুক মহাক্কী চহী ১৪গী প্রোফেসনেল করিয়র অসিদা পূন্না ক্লবকী মেটচ ৩৫০ হেন্না শান্নবা ঙমখ্রে। মহাক জর্মনিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট বুন্দসলিগাদা কুমজা ২০১১/১২ সিজনদা এফ সী কাইজরলোটর্নদা মেটচ ১২ শান্নবা ঙমখি।

মিদফিল্ডর অমা ওইরিবা এরিয়ল বোরিস্যুকনা চেন্নাইন এফ সীদা লাক্ত্রিঙৈদা পোলেন্দগী ক্লব জাজিও লোনিয়া বিয়ালষ্টোকতা চহী ২ শান্নরমখি। এরিয়লনা মহাক্কী জুনিয়র লেভেলদা চহী ১৭তগীনা ২১ ফাওবগী থাক অদুদা পোলেন্দগী নেসনল টিমদা শরুক য়াখি। মহাক কুমজা ২০১০দা সিনিয়র থাক্তা লাক্কুনা ইন্টরনেসনল মেটচ ১২ শান্নবা ঙমখি।

চেন্নাইন এফ সীগী কো-ওনর ভিটা দানিনা ফোঙদোকখিবদা, এক্সপরিয়েন্স লৈরবা এরিয়ল ক্লব অসিদা লাক্কুনা শান্নগদৌরিবা অসি ক্লব অসিগী তুংদা লাক্কদৌরিবা টুর্নামেন্টশিংদা অফবা রিজল্ট পুরকপা ঙমগদৌরিবনি।

চেন্নাইন এফ সীগী হেদ কোচ বোজিদর বান্দোবিচনা ফোঙদোকখিবদা, এক্সপরিয়েন্স লৈরবা এরিয়লবু লৌশিনবা অসি অফবা খোঙথাংনি। এরিয়লনা য়ুরোপকী মপান্দা শান্নবগী অনৌবা মহাউ অমা ফংলগনি হায়খি।

টোকিও পেরালিম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা কন্টিঞ্জেন্ট থাদুনা ২০১৬ রিওগী রেকোর্দ অদু থুগায়নবা হোৎনগদৌরি

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী): সম্মর ওলিম্পিক গেমস টোকিও সিটিদা লোইশিনখ্রগা অমুক্কা হন্না ওলিম্পিক্সকী কাঙলোনগী মতুংইন্না থা অসিগী ২৪দগী ২০২০ পেরালিম্পিক গেমস হৌগদৌরিবনি। মসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা কন্টিঞ্জেন্ট অমা থাদুনা কুমজা ২০১৬ রিও পেরালিম্পিক গেমসকী রেকোর্দ অদু থুগায়নবা হোৎনগদৌরি।

লৈবাক ১০০ হেনবনা দিসিপ্লিন ২২গী ইভেন্ট ৫৯৩দা শরুক য়াগদৌরিবনি। গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা পূন্না পেরা এথলিট ৫৪ থাদুনা ইভেন্ট ৯দা শরুক য়াগদৌরি। কুমজা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী পেরা এথলিট ১৯না ইভেন্ট ৫দা শরুক য়াদুনা গোল্ড মেদল ২, সিলভর ১ অমসুং ব্রোঞ্জ ১গা লোয়নননা পূন্না মেদল ৪ ফংখিবনি।

রিও ওলিম্পিক গেমসতা নুপাগী হাই জম্পতা গোল্ড মেদল ফংখিবা মারিয়াপন্ট থাঙ্গভেলুনা লৈবাক অসিগী ফ্লেগ বিয়রর ওইগদৌরি। গেমস অসিদা জেভলিন থ্রোদা পেরালিম্পিক অনীরক গোল্ড মেদল ফংবা ঙল্লবা দেবেন্দ্র ঝাঝারিয়া য়াওরি।

চহী অসিগী অঙনবদা পেরালিম্পিক কম্মিটি ওফ ইন্দিয়া (পি সী আই)গী সেলেক্সন কম্মিটিনা ন্যু দেল্লীদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা নুমীৎ নীনিগী ওইবা পেরা এথলিটশিংগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোকখি। পি সী আইগী প্রসিদেন্ট দিপা মালিকনা ফোঙদোকখিবদা, চহী অসিগী মার্চ থাদা পাঙথোকখিবা নেসনল পেরা কম্পিটিসন অদু য়াম্না মরু ওইখি। কোভিদ-১৯গী চৈথেং মরক অসিদা পেরা এথলিটশিং অদুনা টোকিও পেরালিম্পিক য়াওনবগীদমক্তা ট্রায়ল সেলেক্সন অদুদা লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পি ঙাক্লা মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙমখিবা অদু স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী অচৌবা মতেং য়াওরমদ্রবদি ঙল্লোই হায়খি।

দিপা মালিক মশামক কুমজা ২০১৬ রিও পেরালিম্পিকতা সিলভর মেদল ফংখিবনি। মহাক্না মখা তারদুনা পেরা এথলিটশিং অদুগী সেলেক্সন তৌফমশিং অদু মশামকয়াওনা লাক্কুনা অৱাৎ-অপা য়েংশিনখিবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরিবুসু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎখি।

পেরালিম্পিক অসি চহী ৪/৪ লৈরগা দিফরেন্টলি এবল্ড এথলিটশিংগী ওইনা পাঙথোকপনি। ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না ওলিম্পিক গেমস অমা য়ূম্বু ওইরিবা লৈবাক অদুনা পেরালিম্পিক গেমস অদুসু অদুম্মক য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্লবগী চৎনবী লৈরি।

ইন্দিয়াগী ওইনা টোকিও পেরালিম্পিক গেমসতা পেরা এথলিট ৫৪ শরুক য়াগদৌরিবা অসিনা হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী পেরালিম্পিক পুৱারীদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না শরুক য়াগদবা কন্টিঞ্জেন্ট ওইরি।

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 197

GM Muzychuk, Mariya (2550) - IM Gaponenko, Inna (2357)
FIDE World Cup Women 2021 Krasnaya Polyana RUS, 2021.07.16

1.c4 e6
2.Nc3 d5
3.d4 c6
4.e3 Nf6
5.Nf3 Nbd7
6.Bd3 dxc4
7.Bxc4 b5
8.Bd3 b4
9.Na4 c5
10.O-O Bb7
11.dxc5 Bxc5
12.Nxc5 Nxc5
13.Bb5+ Ke7
14.Qe2 Qb6
15.b3 Nce4
16.Bb2 Nd5
17.Bc4 Ndc3
18.Qc2 Rad8
19.a3 a5
20.axb4 axb4
21.Nd4 e5
22.Bxc3 Nxc3
23.Ne2 Nxe2+
24.Qxe2 Ra8
25.Qh5 Qf6
26.Rxa8 Rxa8
27.Qxh7 g6
28.Qh3 Ra2
29.Qg4 Rd2
30.Bd5 Qb6
31.Qh4+ Kd6
32.Qf6+ Kc5

QUESTION :

White to win

Puzzle 196 Ans. :

33. ...Be5 34.Qxf8 Rxf8 35.Ra8 Qe7 36.exf5 gxf5
33. ...Be5 34.Qxf8 Rxf8 35.Ra8 Qe7 36.Nd5 Qg7 37.exf5 gxf5 38.Re3 Bd6 39.Ne7 Bxa6 40.Bg8+ Qxg8 41.Nxg8 Rxa8 42.Nf6+ Kh8 43.Re6 Rd8 44.Ne8 Bf8

য়ুঠ নেসনল ৱেথলিফটিংদা মণিপুরগী তোমচৌনা গোল্ড ফংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস): পঞ্জাবকী পটিয়ালা সিটিদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া, এন এস আই এন আই এসতা ঙরাংদগী হৌখিবা ১৬শুবা য়ুঠ, ৭৩শুবা মেন্স, ৩৬শুবা ৱিমেন্স নেসনল ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী ৱেথলিফটর এন তোমচৌ মীতৈনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে। ঙসি অয়ূক পাঙথোকখিবা কিলোগ্রাম ৪৯গী য়ুঠ কেটেগোরিদা এন তোমচৌ মীতৈনা স্নেটচতা কিলোগ্রাম ৮৩ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কিলোগ্রাম ১০৫ পূন্না কিলোগ্রাম ১৮৮ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল ফংখি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা সর্ভিসেস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্দকী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবা মণিপুর মচা সী ঐচ রিশিকান্তনা কিলোগ্রাম ৫৫গী সিনিয়র মেন্সকীদা ক্লিন এন্দ জর্কতা কিলোগ্রাম ১৩০ অদুগা স্নেটচতা কিলোগ্রাম ১০৭ পূন্না কিলোগ্রাম ২৩৭ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। মণিপুরদগী পূন্না সিনিয়র ৱিমেনগীদা লিফটর ৩ (কে ঐচ সর্জুবালা, এ তুমিনা অমসুং বিন্দিয়ারানী), জুনিয়র ৱিমেনগীদা লিফটর ১ (কে ঐচ অঞ্জলি) লোয়নননা য়ুঠকীদা নুপামচা ২ (এন তোমচৌ মীতৈ অমসুং রোবর্ট মীতৈ)গা লোয়নননা নুপীমচা ৩ (এন মার্টিনা, এস চাওবা চনু অমসুং সন্দ্রেলা হুয়াম) শরুক য়ারি। মণিপুরগী টিম অসিবু এল বিক্রমনা মেনেজর ওইরগা, এস ব্রোজেন্দ্রোনা কোচ ওইবনি।

কোচশিংগী ওনলাইন ৱর্কশোক

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী খঙহল্লকপগী মতুংইন্না চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী ইন্টর ক্লব ফুটশাল টুর্নামেন্ট ২০২১গী টিমশিংগী কোচশিংগী ওইবা ওনলাইন ৱর্কশোপ অমা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা শরুক য়ানবা খঙহল্লক্লি। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনননা ফুটশাল ষ্টেট লীগ অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা খঙহল্লকপনি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসি চহী ১৮ মখাগী নুপামচাগী ইন্টর ক্লব ওইগদৌরিবনি। মসিগী মতাংদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনননা শীনগদৌরিবা ফুটবোল কোচশিংগী ৱর্কশোপ অসিনা কান্নবা কয়া পীদুনা শান্নরোয়শিংবু হেন্না অফবা মওংদা শান্নহনবা ঙম্বগী খূদোংচাবা লৈরিবনি। কোর্স অসিগী ফী লুপা ১,৫০০ ওইগনি হায়রি। অম্ফাগী মায়কৈদগী মখা তারকখিবদা শরুক য়ানিংবা কোচশিংনা ওগষ্ট ১৫ ফাওবগী মনুংদা manipurfa@the-aiff.com / amfa456@gmail.com মমিং থাগৎলকপা য়াগনি হায়রি।



COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION,
MANIPUR

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯗꯕ / NOTIFICATION
Imphal, the 10th August, 2021

No. 2/56/96-HSC/7075: Vide Resolution No. 3.1 of the Examination Committee meeting held on 03-08-2021, it has been decided to hold the Higher Secondary Improvement Examination, 2021 tentatively in the last week of September, 2021 subject to conducive condition in view of the Covid-19 situation.

All students who are not satisfied with their Higher Secondary Examination, 2021 result as per the assessment done based on the Alternative Assessment/Evaluation Mechanism for Assessment of Students in Class XI and XII for 2020-2021 may appear in the Higher Secondary Improvement Examination, 2021 in one or more subjects. (as provided under Clause 20)

Further, all candidates who were earlier deemed eligible by the Council for appearing in the Higher Secondary Examination, 2021 for improvement in one subject shall also be eligible to appear in the aforesaid improvement examination.

It is therefore, hereby, notified to all concerned that the examination forms for the Higher Secondary Improvement Examination, 2021 shall be issued w.e.f 16-08-2021 to 28-08-2021 on payment of Rs. 150/- per form at the Council office on all working days between 10.00 a.m to 3.00 p.m

Further, all concerned are requested to submit the duly filled in Examination Forms along with necessary fees on or before 03-09-2021along with the following documents.

Sl.No	Category	Document to be enclosed
1	Improvement in One Subject (Clause 16)	Xerox copy of Statement of Marks of Higher Secondary Examination, 2020.
2	Improvement in one or more subjects (Clause 20)	Original Statement of Marks of Higher Secondary Examination, 2021.

Sd/- Ch. Biren Singh
Secretary,
Council of Hr Sec.Edn., Manipur

HL-B/7070/11

Delta Advance School
Kwakeithel Bazar, Imphal (Affiliated to COHSEM)
Admission Open for Class XI (Sc. & Arts)
Every year we produced Position Holders & Inspire Awardees
COHSEM 2019 Result
4th Position Arts O. Anganba
Inspire Awardee S. Bonnie
COHSEM 2020 Result
6th Position Arts Swamikumar N
Inspire Awardee Henison L
Science & Arts
Direct Admission
for online Regd. & Admission:
First come First
http://deltaadvanceschool.com/onlineadmission/
for Offline Admission Please visit Office (10am to 3pm)
Admission reopened for Limited Seats
Extended upto 19th August, 2021
for Admission: 9856100063; 7005074050; 8575348209
New Session of Class XI will start from 20th August
Covid-19 Special:
85% & above -- Admission Rs. 1000 only and Monthly fee 50% only
80% & above -- Admission Rs. 1000 only
70% & above -- Admission Fee Rs. 2000 only
60% & above -- Admission Fee Rs. 4000 only
Below 60% -- 50% concession on Admission fee
100 % Passed every Year
HL-B/7053/10,11,12

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com